# ওভরড্রাফ্ট পল্লকপদা মীতৈগী পাউরৌশিং নীংশিংলকই

## ৱাখল ইহুল
## সোরাম ইবোহল লুৱাং

শাওং-শাদা, কুচু-কুমেন, চাবা-থকপা, অকোয়বগী ফীভমদা হিংবগী হৈনবী খেন্নবগী মতুং ইন্না মীওইবনা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংদগী পুমতোপ তোপ্পী। শা-ঙানচিংবশিংগীদি তুং কোয়না চৎনবা য়াবা পোরম কয়া য়াৎপা ঙমজদে। অদুবু হিংনবগী তৌবা য়াবা পান্বেদি তৌরম্বা/থিরম্বা য়াই। খুদম, ঈশিং-ঈচাও থোকপদা ঙাশিংনা অচেনবা ঈশিংগী ঈরৈনা খরা চেন্থরবসু, অয়াম্বা মতমদা হঙ্গৎনা চৎনবা হোৎনবা থেংনৈ। মখোয়গী ৱাখলদা মফমদুদা ঈশিং য়াম্না লৈরমগনি খনবসি চুমই হায়না ঐখোয়না লৌই। অতোপ্পা খুদম অমনা, কুম অমগী ঈশিং ঈমায় চোন্না/পানা চেনবা তুরেল অচৌবদা ‘ঙাপী কাবা’ নৎত্রগা ‘ৱাংব্রেন কাবা’ হায়নসু খঙনবসিগী পাউ হেক হেক/অদুম তানৈ।

শাশিংগীনা ফাজিল্লম্বদগী নাম্থোক্লবা খুদোংচাবা ফংলবদি অহানবদা মখোয়বু কোয়শিন্দুনা থল্লম্বা মফমদুগী মপান্দা চেম্থোক্লবা হোৎনৈ। তপ্না/কোন্না হিংবদা খুদোংচাগদবা মফমশিং থিরগা লৈ। মালেমগী লৈপাক (কন্ত্রি) অমদগী লৈপাক কয়া লান্না পাইদুনা চৎপা ঙম্বা উচেকশিংনা হিংনবগীদমক মালেমগী হোংলক্লিবা মফমদুগী ফীভমগী মতুং ইন্না লৈপাক অমদগীনা অতোপ্পা অমদা/কয়াদা লৈফম হোং-হোংদুনা চৎলি। অসুম্না, মালেমগী লৈপাক কয়াদা লৈবা অচৌবা লমহাংদা পংলৈ লৈদুনা হিংজবা শাশিং ফাওবা লমদুগী অঈং-অশা, নোংজু-নুংশাগী ফীভম হোংলকপগী মতুং ইন্না অচৌবা লমহাংদুগী মফম অমদা মতম মতমগী ওইনা হোংদোক হোংজিন তৌই। মথক্কী হায়রিবশিংসি মীওইবা ঐখোয়না লোয়না খঙই। হায়রিবশিংসি মরুওইনা হিংনবগী মরমগীদমক্তনি।

অদুবু হায়রিবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়াশিংদগী অহেনবা লৌশিং, হৈনবী, অপাম-পামদা, অফবা-ফত্তবা খঙলিবা মীওইবশিংদি নুংঙাইনা (ঙল্লবদি) হিংনবগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মখোয় মশানা খঙজবা, হৈনজবা, ঙমজবা মওংদা তৌনৈ। অপূনবগী ওইবদা খুন্নাইগী ওইনা/লম অচৌবা মচাগী/ষ্টেটকী মতুং ইন্না হিংবগা মরী লৈননা থবক পায়খৎলবা মতুংদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং- হৌজিক্তা হায়রগনা প্রোজেক্ট, স্কিম কয়াগী হান্না য়াৎথোক্লবা থৌরম ‘প্লান/দি পি আর’ হায়বসি তৌনৈ। মীওইবা খুন্নাইশিংগীদমক্তদি মালেমগী লৈপাক কয়াদা ইনাক খুনবা, ময়ায় ওইরপ্পা, শেল-থুমগী ফীভমসু শোথবা হায়বা লৈনবনা চাওখৎপগী থাক মান্নদে। চাও-খৎপগী মঙাল/লৌশিং লৈবশিংনা লৈঙাকপা মফমশিংদা লৈঙাক্লোয়শিংনা অফবা থৌশিল পুথোকপনা শেল-থুমগী অৱাবা মমি মীচম মীয়ামদা তাহন্দে হায়না লৌবা য়াই। অমবু ওইরবসু চাওখৎ থৌরমগী ওইবা থবকশিং পায়-খৎপা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইরিবদি শেল মতিক চানা লৈবা/লৈনবা হোৎনবসিনি। লৈরিবদু নিয়ম/পরম চুম্না ফজনা শীজিন্নবা হায়বসিসুনি। খুদম অমতং ওইনা পঙ্গরবদা, ফীভম, মতম মতমগী মতুং ইন্না তুরেলগী ঈচেলনা (ঈশিংনা) অমুক খরা তপ্না (কংথনা) চেনবা, অমুক ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপা মতমদা ঈচেলগী খোঙজেল য়াঙনা (কন্না) চেনবা তারবসু - তুরেলসিগী হৌরকফম মরু অমদি খোঙলম লেঙদনা লৈবা অদুম হায়না মীওইবা খুন্নাইদা মথৌ তাবা শেলগী লাকফম/থাবিরক্লবা (ফাইনান্সিয়র) অমদি/খরদি মতম-মতমগী মতুং ইন্না লৈবা তাবনি। হায়বদি ষ্টেটপু ওইরবসু লৈপাক (কন্ত্রি) দুবু ওইরবসু লৈঙাক মপু ওইনা লৈঙাক্লিবশিংগী লৈঙাক্কী শেঙ্গাওদা মথৌ তাবা শেনফমশিং লৈবা তাবনি। মদু লৈনবা থৌশিল পুথোকপা তাবনি। নৎত্রবদি, মরুওইনা মীচম মীয়ামশিং অৱাবা মায়োক্লবা তাবনি। মরমদি লৈঙাক্কী অয়াম্বা শেলশিংনা লৈবাক্তুদা চায়খাইগদৌরিবনি। চাওখৎ থৌরাংগী তোঙান তোঙানবা থবকশিংসু গভর্ণমেন্টনা পায়খৎকদবনি।

ষ্টেট অমগী লৈঙাক অমা লৈবনিনা - খ্বাইদগী পিকপা শরুক অমা ওইরিবা ইমুং অমা/খুন-লৈকায় অমা/খুন্নাই অমা/লৈপাক্তুগী শরুক খরা/লৈপাক শিন্থুংনা অহানবদা চাং অমদা মফমশিংদুদা লৈরিবা মীচম মীয়ামশিং (গভর্ণমেন্টকী, লন্নাইগীদা থবক ইনখাং তৌবশিংসু য়াওনা) থাক অমদা হিংবদা চঙবা মচাক-মথুমশিং ফংহন্নবগী থৌরমশিং পায়খৎফম/থৌদাং লৌফম থোকই। লোয়নমক লেম্না থাকউ হায়বা নত্তে। অনীশুবদনা, লেন্দ টোপোগ্রাফিগী মতুং ইন্না অকোন অহান কুপ্না য়েংলগা তঙাইফদবা থবকশিং পায়খৎপা য়াবশিং পায়খৎপীবা মথৌ তাই। অহুমশুবদনা, মথক্কী অনীসি থবক ওইনা ফজনা অতৎ-অকাং লৈতনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা মথৌ তাবা থাক খরা ৱাংবা, ময়ায় ওইরপ্পা, অনেম্বা, য়াম্না নেম্বা লৈঙাক্কী থৌগায় পুগদবশিং মফম, মতম চানা খনবা/থবক হাপ্পা; ঠিকা অমদি সপ্লাইগীদমক থাক য়াম্না ৱাংবা, ময়ায় ওইরপ্পা, অনেম্বা পরম চুম্না খল্লগা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎফদা ক্বালিটি লৈনা থবক শূহনবা/পোৎলমশিং পীহনবা (মশীংসু শুনা); খূৎশূমল পীরগা ৱাইবা/শীজিন্নবা ওইরগনা - তৌরিবা থবক/শীজিন্নরিবা মরমশিংদুগী মতুং ইন্না পীফম থোকপা শেনফমশিং মতম চানা পীথোকপীনবা/হান্নদগী ৱাজরক্লবশিংবু মতুং তাবদসু খুদোংচাবা পীবিবা/গভর্ণমেন্ট সার্ভেন্ট ওইবশিংবু মতম চানা পীফম থোকপা থাগী তোলোপ/খূৎশূমল/অৱাইমন/পেন্সনরশিংগীনা পেন্সনগী শেনফমশিং মতম চানা পীথোকপীনবা থৌরাং মাঙজৌননা তৌবিবা/করিগীনো হায়বদা - মরম অমগী মথৌ তায় হায়দুনা থবক হাপ্লবদি/শীজিন্নরবদি মদুগা মরী লৈনবা ফন্দ/শেনফম শোয়দনা লৈফম থোকই। নৎত্রগনা, মরম চাবা মওংদা চৎনবা য়াবা থৌশিল অমগী মখাদা থবক হাপ্পা/থবকতু নেকথোক্লগা হান্না শূহল্লবা মতুংদা (য়ানবা ৱারোল অমগী মখাদা), চঙগদবা শেনফমদু মরম চানা ফংবা য়াগদবা লম্বেল/পান্বে অমদগী শোয়দনা ফংগদবা লৈরবদি পায়খৎপীবদা ৱানা থবক শূজরিবশিং অমদি মীচম মীয়াম্না ৱারৌরোই।

মথক্তা পঞ্জখ্রে - খুন্নাইদসু ইনাক খুনবা ইমুং/লায়রবা ইমুং/ময়ায় ওইরপ্পা ইমুং হায়দনা লৈনবসিনা - ষ্টেটশিংগী মরক্তসু মাগী মাগী ষ্টেটশিংদা মশাগী শেল লাকফম (রিছোর্স)/ম্যেন পৱার মরাং কায়না লৈবা লৈতবা/লল্লোন ইতিক্কী মফম চাবা চাদবনচিংবগী খুদোংচাবা চাদবগী মতুং ইন্না চাও-খৎপগী থাক লেপকনি। অদুম ওইনমক লৈঙাকলোইশিংনা লৈঙাক চূপ্লি পায়রিবনিনা হৈশিংনা ৱাখল থাদবিরগা মতম চানা অমদি মরম চানা ফংবা য়াবা/ফংনীংবা শেনফমশিং ফংনবা/থাদহল্লক্লবা হোৎনবা/তকশিনবা অমদি ইচংদা চঙই। মসিগীদমক অখঙ অহৈ কনা কনাবু তানগদগে হয়বদুসু লৈঙাক্লোইশিং অমদি ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা তরেৎ তরা থোক্লা তানরগা তৌহঞ্জনীংই। মীচম মীয়াম ঐখোয়না ৱাখলদা থাজবা অমদি নুংঙাইজরিবদি ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক ফনবা শোয়দনা তৌবিরক্কনি হায়বসিনি। মসিদনি মীচম মীয়াম্না লৈঙাকলোয়শিংবু ঐখোয়গী মীহুৎশিং ওইনা এসেমব্লিদা/পার্লিয়ামেন্টতা/রাজ্য সভাদা থারিবসিগী (অকোনবগীসিবুদি লেজিসলেচরশিংনা খনবা ওইজরবসু) মরমদনি। মীচম মীয়ামগী মীহুৎশিং ওইনা চৎলগা/থাগৎখ্রগা অফবা-ফজবা থৌশিল পুথোকপা হৈতবদগী নৎত্রগা মখোয় লৈঙাক পায়বা য়াওমিন্নরিবা খরা/মশেল মরক্তা ফম মুন্নবা/অচাউরম তান্নবা/ঙক কন্নবা/অমগা অমগা তাথোক তাশিন তৌনবা (কো-ওপরেসন) য়াদবা - শম্না ‘চফু কায়রগা ক্বাক্লা হরাউবা’/‘ঈশিংগা থাউগা তিন্নবা য়াদবা থৌওং’/‘কাঙ্খদা লিন চঙবা’/‘যূমদা মোংবা চঙবা’/‘অঙাংনা মাইবা শারগা মঙ থল্লি’/‘ৱাতোন্না ৱাংলগা ক্বাক্লা ফমদেকই’/‘মৈরিকপিদগী মৈজাওবী ওল্লী’/... অসিনচিংবশিংনা অফবা ৱারোইশিন পুরকপদা খুরৌ থাংহল্লি। মমৈদা অমসু অমসু ‘খুজিন্দা তুম চঙবা’ হায়বদু তাদুনা নিংদোন পোম্বা হায়বদু ওইরকপা হায়বসি অফবা খুদমদি নত্তে।

হৌজিক ষ্টেটসিগী চিরবা মতম হায়বদি মহৌশা ঙসিদগী চহী ১৮গী মমাঙদগী জুন থাদগীনা ওগষ্ট থা ফাওবদি ইরমদমসিদা অচৌ অচৌবা ৱাথোক কয়ানা পরেং লেংদুনা লৈবা তাঞ্জাসিদা অহানবদা লৈঙাকসিগী মিনিষ্টর খরা শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরনি হায়নরকপগীনা চৎলিবা জুন থাসিদা লুপা ক্রোর ২৭৪.৪৮ ওভরড্রাফট তাবদগী মণিপুরগী ওইনা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা গভর্ণমেন্টকী ওইনা শেল কায়থোকপা অমদি থাদোকপা থিংজিনখিবগী পাউনা লমদমসিদা ফোঙবা পাউচেশিংগী মচং ওইবা পাউ ওইনখিবনি। মতুং তারকপদা জুন ১৩, ২০১৯দা দেপ্যুটি সী এম জয়কুমারগী ফাইনান্স, মিনিষ্টর বিশ্বজিৎতগী ৱার্ক্স অমসুং পাৱর লৌথোক্লগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পায়শিনখ্রে। মরকসিদা সী এম এন বিরেন অমসুং মিনিষ্টর বিশ্বজিৎ অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলকপদু ৱাখৈনবা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি নোর্থ ইষ্ট ইন-চার্জ রাম মাধব অমসুং বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন অজয় জসৱাল ইম্ফালদা লাক্তুনা উনবা য়াবা উনরবা মতুংদা পার্টিসিগী লুচিংবশিংদা রিপোর্ট অমা অথুবদা লান-খৎলগনি হায়রম্লগা হনখ্রে। হৌজিক ফাওবা লৈখায় তাদনা লৈবদগী ইম্ফালদা লৈগদবশিং অমত্তা লৈতনা দিল্লিদা কেম্প তৌনদুনা লৈনরিবসি মীচম মীয়ামগীদি লাইবক য়াম্না থিবনি হায়দবা য়ারোই। মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি ফাইনান্স ভি ভুমলুনমাংনা চেয়রমেন, মণিপুর লৈঙাক্কী কম্মিস্নর কম সেক্রেটরি নিধি কেশরৱানি অমসুং দেপ্যুটি সেক্রেটরি দল্লিয়ু অজিটনা মেম্বর ওইবা মীওই অহুম্না শাবা কম্মিটিসিনা ওভরড্রাফ্ট তারকপদা য়াল্লবা শেনফম কয়া লৌথোকখিবগী মরম অমদি শেল কয়া য়াম্না লৌথোকখিবগে হায়বগী অকূপ্পা দিটেলশিং খঙদোক্লবা শেমখিবা কম্মিটিসিনা কয়াম অচুম্বা লংলা লংজিন পুথোক্তুনা এক্সন লৌবা ঙমগদ্রা/ওভরড্রাফ্ট তারিবসি থিংবা ঙমগদ্রা হায়বসিদি য়েংবা তারি। অদুবু থোয়না কান্নগদবদি মান্দে।

হন্দক্কী ওভরড্রাফ্টকী থৌদৌসিদি মীতৈ/মৈতৈগী পাউরৌ ‘ অঙাংদা হৌদোংনা ঙা চাবা/শঙ্গোম থকপা য়েংউ’ হায়দনা শিন্নবদুগা য়াম্না মান্নবগুম তৌরে। লুরিবদি ষ্টেটকী শেঙ্গাও অচৌবা পান্নরিবশিং ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনি, মখোয় পাউরৌদা য়াওবা ‘অঙাং’ দুমক্তি নত্তে। ঈশিং ঈচাও থোরকপদা হান্না খুদোং থিনিঙাই ওইবা ‘দেঞ্জর লেভেল’ হায়না লৈবসি য়ৌরক্লবদি অচৌবা চেকশিন থৌরাং ঈশিং ঈচাও থেংননবা হোৎনরিবনি। ষ্টেট অমগী ফাইনান্সিয়েল পোজিসন্দা ওভরড্রাফ্ট তাবা হায়বসিনা তাক্লিবদি ষ্টেটকী ফজবা-হৈশিংবা ফাইনান্সিয়েল পোলিসি লৈতে, থৌশিল হৈতে, লৈঙাক্কী লৈঙাক্লোন ফৎত্রে, শোল্লে উংথোকপনি। মসিনা নাকোয়ননা মীচম মীয়ামদা শোয়দনা অৱাবা পীগনি। মরদি গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়িশিংগী থাগী তোলোপ, পেন্সনগী পীনবা শেনফম, অতৈ মথৌ তাবশিংগী পীনবা শেল লৈত্রবদি ইমুং-মনুংশিংদা, কৈথেলগীদা শেলনা তৌগদবা থবক অয়াম্বা লেপ্লগনি। ষ্টেটকী চাওখৎ থৌরাং অমদি নুংত্তিগী চাদিং তৌনবা শেল লৈতবদগী গভর্ণমেন্টকী ওফিসকী থবকশিংদা ফাওবা অকায়বা ওইরক্লগনি। মসিনা খুদম ওইরগা ‘অঙাংদা ঙা চানীংবা/শঙ্গোম থক্লিংবা হৌদোংশিং তাক্লকউ’ হায়না অকনবা য়াথং সী এমনা শীন্নরবদি - লুপা ক্রোর অনীগী মথক ওইরবদি সী এমদগী অয়াবা লৌগদবনি হায়বসি লৌদনবা মরৌ লৈবা মিনিষ্টরশিং/ওফিসরশিংনা ক্রোর অনী য়ৌহন্দনা শেল কায়থোক্লরকপসু য়াই। ●

# পামহৈবা (গরীবনিৱাজ) মহারাজ:
## মণিপুর অমসুং অৱাং বর্ম্মা (ইরাবতী তুরেলগী নোংচুপ) গী মবুংঙো (খৃ: ১৭০৯-১৭৪৮)

**- মাংলেমজাও সিংহ সোরোকখাইবম-**
**রিটয়ার্দ ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস, মণিপুর**

(হান্নগী মখা...)

**ফোংদাগী থৌদোকসিদা তুংগু শাগৈ** (Toungoo Dynasty) গী অৱা নিংথৌ তানিনগানৱে হায়নীংঙাই লৈতনা শাওরম্মী অমসুং ইকায়বা পোক্লম্মী। সমজোক লান হল্লকপা মরিনি শুদরিঙৈদা মৈতৈ লৈপাক্তা অৱানা লান্দারকখি। পাউ অসি কবোগী মংসা খুনগী তখেল কৌবনা পুরকপনি। মংসাগী লানফমসিদা অৱাগী লানচিংপুরেল কয়া মীতৈ লান মীশিংনা হাৎখি। মী কয়াম লানফা ওইনা ফাহৌখি। লানফমসিদা পোলিবা লমথোক/পোলেম শাগৈ (পাকপা লমথোকনা) না অচৌবা থৌদাং লৌখি অমসুং মহাক্কী হৈশিংবা, থৌনা ফবনা অৱাশিংবু মায়থীবা পীখি। পামহৈবা (গরীবনিৱাজ) না সমজোক লান্দবগী মতাংদা Gazetteer of Upper Burma and Shan States - George Scott Part 2, Vol. 1 দা অসুম্না পল্লি - "In the time of Hanthawaddi Yauk Min, when Manipuris invaded the country, they attacked Thaungthut, the Sawbwa, Saw Kan Ho, brought supplies of rice from Monbu, now called Wunbu, and stored them, and having call up all his forces from the western side of the river, fought the Manipuris for 3 (three) years. The Burmese king however gave him no help and he defeated and had to take refuge in the jungle. Then the manipuris utterly destroyed Thaungthut, the Haw (Palace) with its triple roof, its twelve pavilions, the pyatha in front, the golden umbrella with its crystal top-setting, the throne and the white umbrellas, together with all the rest of the city, and carried off the elephants, male and female."

সমসোকশিংসে হান্নবা মখোয় মায়থীরে, মৈতৈদা লেপ্তুনা লোইপোৎ হাজরগে য়ান্নখ্রগসু মখোয় মরৈ মরা য়াম্না তৌমনবদগী, লানহৌ তোইনা হৌরকপদগী কুমজা ১৭১৭-১৭১৮ গী অহানবা লান্তাগী মতুংদা কুমজা ১৭১৮-১৭২৪ ফাওবদা সমসোকতা ১২রক হেন্না লান্তাশিনখি অমসুং সমসোক মরু ফুকনা মুৎথৎখি। অসিগী মতুংদদি অমুক হন্না সমসোকশিংনা লান হৌরকখিদে।

অসিগী মতুংদা কুমজা ১৭২৩দা অৱা অমসুং ত্রিপুরা অনী পূন্না অমুক্তদা মণিপুরগী মথক্তা লান তাশিল্লকখি। অৱা (বর্ম্মা) না খা-নোংপোকলোমদগী অদুগা থাখেল (ত্রিপুরা) না খা নোংচুপলোমদগী মাগী মাগী লান্মী থাজিল্লকখি অদুবু লানথোং হৈবা পামহৈবনা লৈপাক্কী মায়কৈ অনীদা মতিক চাবা লান্মী থাদোক্তুনা লাম্থেংনহনখি। মমৈদা মশামক লান্দা লানচিংপুরেল ওইনা য়াওদুনা অৱা অমসুং ত্রিপুরা লান্মী মায়থীবা পীখি। হন্দক্কী অৱা/তাখেল (ত্রিপুরা) অনীনা পূন্না লান্দারকপবু মণিপুর নিংথৌ পামহৈবনা য়াম্না হৈশিংনা মাগী থৌনা অমসুং মরৌশিং ওত্তুনা অনীমক মায়থীবা পীখিবদুনা মহারাজ পামহৈবগী মীংচৎ মায়কৈ মরিমক্তা হেনগৎ-খ। চৈথারোল কুম্বাবগী মতুং ইন্না গরীবনিৱাজনা লুচিংবা লান্মী তেঙ্গোলনা কুমজা ১৭১৭, ১৭১৮, ১৭২০, ১৭২২, ১৭৩৭, ১৭৪৮দা হায়রিবা চহীশিংদা ৭লক লান্দাই হায়না গাংমুমৈ কবুইনা মাগী হিষ্টোরি ওফ মণিপুর ১৯৯১দা ময়েক শেংনা পল্লি।

**মু-তম্পাক্তা লান্দাবা**
**(Mu-Valley Campaign of Pamheiba)**

মতাং অসি Shwebo District Gazetteer of Burma - 1924 compiled by Ma. William Rangoon দগী লৌথোরকপা। ১৭শুবা চহী চানা লোইশিনদ্রিঙৈদা অৱা লৈপাকসে শোম্থরক্লম্মী। মণিপুরনা হন্না হন্না লান্দারকপসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরম্মী অমসুং মতম অসিদগী কবো তম্পাক অসি মণিপুরনা লৌশিন্দুনা লৈরকখি। Further, Burma Gazetteer, Shwebo District 1924 Rangoon mentioned as - "Thirty years later they defeated on the Manipur frontier a Burmese army which included men from this district (Shwebo) in the Myauke-bet-myin cavalry and the Tabayin and Myedu Regiments. In 1735 they actually attacked Myedu and carried off the "Kaias (Mahomedans) and Burmans" living there. Two years later the King becoming aware of this activity, sent out two small forces to reconnoitre-one under the Pontaga Sa. These were both defeated near the Chindwin, and the King immediately sent a force, stated to have consisted of 200 elephants, 700 horses and 5,000 men to occupy Kunon and Modaung about 10 miles west of Ye-u. They were attacked there by the Manipuris and, partly owing to one of their generals being inebriated, were driven back. The Manipuris then destroyed all the kyaungs, tanks and pagodas from Kunon as far south as Tabayin and retired. This was in January 1738. The following cold weather the generals sent out against this enemy were beaten outside the district and driven back on Tabayin, where they collected their scattered forces and spent the rains of 1739. In December 1739 the Manipuris descended in force and cleverly avoiding Tabayin and Myedu, which had in the meantime been filled with troops, who were apparently content to remain passively on the defensive within the walls, marched down through Sitha, Moksobo and Halin, and engaged the force hastily raised from Sagaing and the surrounding neighbourhood to defend the passage to that twon between the Kaunghmudaw pagoda and the Minwun range of hills. This body they defeated, and, setting fire to Sagaing, retired, probably because they were unable to cross the great river; but in Burmese history it is stated that they had come: to fulfil a prophesy of their great Brahman that if their chief bathed in the Irrawaddy at Sagaing, all evil would cease in their country. Their object was apparently plunder and not permanent conquest."

-মথং-মথং


মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
টীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালেন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীত্তৌ চৎপা, ঈ-নুংশিং, লিবর, চাকথাউনাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তেঙ্গিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিং চংবা (হিংচবী চংবা), মীং-নাপু কবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি উনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

Phone No. 9612225582
Regd. No. 4277 of 82 April
DR. N. IBOHAL MEITEI,
State & National Awardee
HL-B/5364/28/4-28/5

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
Regular Medical Ent. Coaching for NEET (UG)-2019-20
Limited Seats Available
for
Free-studentship based on
NEET (UG)-2019 High Mark Scorers
- NEET 2019 overall state rank within 230 (Gen & OBC).
- NEET 2019 overall state rank within 90 (ST).
- SC NEET 2019 overall state rank within 10.
- Higher mark scorer for fresher in NEET-UG 2019.
For details plz. contact COMET office, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road Imphal
HL-B/5490/17,18,19

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/5403/21/5-20/6



SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XI Sc. FOUNDATION COURSE - 2019
Starting of Class : 1st July, 2019
MEDICAL REGULAR COURSE for NEET (UG) - 2020
Starting of Class : 1st July, 2019
Special feature
1. Supply of study material from Delhi.
2. Weekly test strictly in NEET pattern.
Managing Director
We nourish your future
HL-P/5486/16-30june/2-14july (alt.)


## মরোল থোকপা লাই




পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।